# হুইয়েন লানপাউ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)








Vol. 49, Issue No. 163 | থাংজ, লাংবনগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, September 13, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# করম থোক্লগবা : মোদিগী খোঙচৎ য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরক্লে, খোঙজং চঙশিন্নরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী চথরক্তুনা হৌজিক চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা মণিপুর অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিগী মতাংদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম, মীয়ামগী লূপশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মীৎকুপ খরগী খোঙচৎতা ওইরবসু মণিপুরদা লাক্তুনা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপীয়ু হায়দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জখিবদা মনাদা হাপখিদবদা নত্তনা মণিপুরগী রুল্লিং অমসুং ওপোজিশনগী এম এল এ অমত্তগা অমসুং লূপ অমত্তগসু উনরকখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং পুং খরগী খোঙচৎতা মণিপুরদা লাক্কনি হায়রিবসিগী মায়োক্তা তোঙান-তোঙানবা লূপশিংগী লুচিংবশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা খোঙচৎ অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্নখ্রে।

## মোদিনা লাক্লগা প্রোজেক্ট খরা শঙ্গাবা অমসুং উরেপ তম্লগা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়গা মন্তিক্লগদৌরিব্রা : নন্দো লুৱাং



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**

নরেন্দ্র মোদি লাক্লগা লানগী ৱারোইশিন পীরমগনি হায়ব্রা অমসুং আই দি পিশিংবু ময়ূমদা হঞ্জিলহনগনি হায়বগী থাজবা পীরমগনি হায়ব্রা হংলদুনা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফেরোইজম নন্দো লুৱাংনা মরম পীদনা লাক্লগা প্রোজেক্ট খরা শঙ্গাবা অমসুং খরগীনা উরেপ তম্লগা পীকখ্রবা অঙাং য়াওনা মীওই কয়াগী পূন্সি লোমখিবশিংদুগী থৱায়গা মন্তিক্লগদৌরিব্রা হায়না পাউমীশিংগী খূত্থাংদা হংখ্রে।

ঙসি ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা অমুকোগী লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়

...মখা লমায় ৮ কলম ১

## মীয়াম থোকপীগনু, মহাক্কী খোঙচৎ অসি মীয়াম্বু উশিত্তবনি : খুকমপাল



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টরনা হয়েং লাক্তুনা চুড়াচান্দপুর অমসুং ইম্ফালদা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি অমসুং উরেপ তমগনি হায়ববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা থৌবাল ৱাংমা তাবদা লৈবা খুন্নাই কনবা অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ (খুমকপাল) না

...মখা লমায় ৩ কলম ১

## প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ য়ানীংদে : নম্পাল



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** মণিপুর মৈ হৌদুনা চাল্লকপা চহী ৩ ফারল্লবসু থোক্লিবা ঈরাং অসি হৌরকপদা ঈরাং খান্নবা হোৎনখিদবা অমসুং খান্বীয়ু হায়বদা তাবীখিদবা অদুগা হৌজিক ফাওবা তূমিন্না লৈশিল্লক্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং লাক্কনি হায়রিবসি য়ানীংদে। মাঙবা-তাকপা লোইরগা লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ য়ানীংদে হায়না নম্বোল এরিয়া মৈরা পায়বী লূপ (নম্পাল) গী প্রসিদেন্ট মাইবম শান্তিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নম্পালনা শিন্দুনা নম্বোল

...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী মফম কয়াদা নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎকী মায়োক্তা খোল্লাওশিং লাউখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং লাক্কদৌরিবা অসি মণিপুরগী মীয়াম্না হরাওফম থোক্তে অমসুং তরাম্না ওকফমসু থোক্তে অমদি য়ানীংদে হায়বগা লোয়ননা মণিপুর মূত্থৎপা লাক্লিব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওরে হায়না ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা য়ানীংদবা খোল্লাওশিং লাউখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্ত অপূনবা মৈরা পায়বী (কদমপাল) গী মায়কৈদগীসু মোদিগী খোঙচৎপু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চঙশিনখিবা খোঙজংশিংগী মনুংদা হিয়াংলম লাই পাঙ্গনবা কৈথেল, শুগুনু এ সীগী পাঙলতাবী কৈথেল অমদি তাংজেং

...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## নমথাক তৌবা খোঙচৎনি : এম পি ৱাই সী সী



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং লাক্কনি হায়দুনা থৌরাং তৌরিবসি মণিপুরগী মীয়ামদা নমথাক তৌবনি হায়না মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম আনন্দনা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না হায়, ঈং-তপ্পা

...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মোদিগী খোঙচৎকী মায়োক্তা মাক্লংদা য়ানীংদবা খোল্লাও লাউদুনা খোঙচং চঙশিনখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং মণিপুরদা লাক্কনি হায়ববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মাক্লংদা মেপৱার্ককী মখাদা খুল ১৩গী নুপীশিংনা পূন্দুনা য়ানীংদবা খোল্লাওশিং লাউদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরু কয়াখিবী শৌগ্রাকপম ইবেমহলনা হায়, ঐখোয়না খোঙজং চংশিন্দুনা খোল্লাও কয়া লাউরিবসি পেন্দবা কয়া লৈবদগীনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা হয়েং লাক্কনি হায়বসিদা ঐখোয় হরাওনীংঙাই লৈতে। মে ৩, ২০২৩দগী কুকিনা লান্দারক্তুনা মীতৈগী য়ূম মৈ থাদুনা অমসুং মীতৈ মচা ইচা ইশুশিং থাঙনা য়ান্দুনা অমদি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। মতমদুদা অমুক্তা লাকপীয়ু অমসুং শক উৎপীররাও হায়বদা য়াদনা লৈরক্লগা হয়েংনা করিগী লাক্কদৌরিবনো হংখি।

ভোটকী মতম য়ৌরকপদগী লাক্লিব্রা নৎত্রগা করম্বা লাল্লোং চথবা লাক্লিবনো হংলদুনা ইচা ইশু কয়া লান অসিদা থৱায় মাঙখ্রবনি। মতম অদুদা মহাক্না য়েংশিনবীরম্লবদি ঐখোয়না তরাম্না ওক্লমগদবনি অদুবু হৌজিক্তি তরাম্না ওকপগী মতম হেন্দোকখ্রে। মহাক লাকপা মমা ওইবী ঐখোয়না পামদ্রে হায়রদুনা মহাক্না হয়েং মণিপুরদা করিগী লাক্কদৌরিবনো হায়নসু হংখি। খোঙজংদা শরুক য়াখিবীশিংনা য়ানীংদবা খোল্লাওশিং লাউখি।

## মণিপুরদা পি আর চংনহল্লকপা ঙসি থা ৭ মপূং ফাবা নুমিৎতা মোদি লাক্লগনি
## প্রাইম মিনিষ্টরনা চুড়াচান্দপুর ১সুং ইম্ফালদা আই দি পিশিং উনগদৌরি অদুবু এম এল এ ১দি সী এস ওশিং উনবগী থৌরাং তৌদ্রি

### ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা প্রাইম মিনিষ্টরনা আইজোলদগী চুড়াচান্দপুরদা হান্না থুংগনি, চুড়াচান্দপুরগী থৌরমশিং লোইরবা মতুংদা নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা ইম্ফালদা লাক্কনি : চীফ সেক্রেটরি



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা চথরকখিবা তমথীরবা লান অসিনা চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা মতুংদা অহানবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি হয়েং মণিপুরদা লাক্লগনি। মহাক্কী খোঙচৎকীদমক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী ষ্টেট লৈঙাক্না থৌরাং তৌবা হৌখ্রবসু মহাক হয়েং লাক্লগনি হায়বসিদি নোংমা খক্তমক ঙাইরবা তাঞ্জাদা ঙসি চীফ সেক্রেটরি পুনীট কুমার গোয়লনা ওফিশল ওইনা পাউমীশিংগী খূত্থাংদা ফোঙদোরকখ্রে।

নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎকা মরী লৈননা ঙসি ওল্ড সেক্রেটেরিএটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা চীফ সেক্রেটরিনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি আইজোলদগী চুড়াচান্দপুরদা অয়ূকপুং ১১.৩০ অদুৱাইদা থুংলগনি। মহাক হেক থুংলবগা চুড়াচান্দপুরগী আই দি পি খরগা উন্দুনা ৱারী শানগনি। মদুগী মতুংদা লুপা ক্রোর ৭,৩০০ হেনবগী পায়খৎকন্দবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং উরেপ তমগনি অমসুং চুড়াচান্দপুরগী তুইবোংদা লৈবা পীস গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীফমদা ৱা ঙাঙগনি হায়খি।

চুড়াচান্দপুরগী থৌরমশিং লোইরবা মতুং প্রাইম মিনিষ্টর হয়েং নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা ইম্ফালদা লাক্কনি। ইম্ফালদসু মহাক্না আই দি পি খরগা উন্দুনা ৱারী শানগনি অদুগা কংলাদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীফম অমদা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাঙবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ১,২০০ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী পায়খৎখিবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গারমগনি হায়খি।

...মখা লমায় ৮ কলম ৩

## ঙসিগী ওইনা ভি ভি আই পি মুভমেন্ট মনুং নত্তনা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা ত্রাফিককী অথিংবা লৈরোই

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস) :**

হয়েং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পুং খরগী খোঙচৎতা মণিপুরদা লাক্কনি হায়রিবা অসিগী মাঙওইননা ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিং, মণিপুরগী এস পিনা থোরকপা ত্রাফিক এদভাইজরি অমদা হয়েংগী ওইনা ভি ভি আই পিগী মুভমেন্ট মনুংদা নত্তনা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা ত্রাফিককী অথিংবা লৈরোই হায়রি।




অদুম ওইনমক 'ভেহিকল পাস' য়াওবা গাড়ী খক্তমক কংলাগী অৱাং থংবা গেটলোমদগী কংলা মনুংদা চঙবা য়াগনি। থৌবাল মায়কৈদগী কংলাদা পাঙথোক্কদবা থৌরমগীদমক মীয়াম পুরকপা গাড়ীশিংনা কংলাগী অকোয়বদা ত্রাফিক কঞ্জেশন থোক্তনবগীদমক শীংজমৈ থোংদা দাইভর্ট তৌগনি অদুগা কংলাগী থৌরমগীদমক শীংজমৈ চীংঙামখা অমসুং হৈরাঙ্গোই থোং লম্বীদা লাকপা মীয়াম পুবা গাড়ীশিংনা শীংজমৈ চীংঙাদা দাইভর্ট তৌরগা শীংজমৈ থোং নৎত্রগা পিশুমলোমদা চৎকনি। টিদ্দিম লম্বী অমসুং ময়ায় লম্বীরোমদগী মীয়াম পুরকপা গাড়ীশিংনা কৈশাম্পাৎ জঙ্কশনদা দাইভর্ট তৌরগা ৱাহেংবম লৈকায়রোমদা চৎখিগদবনি হায়রি।


ভি ভি আই পিনা কংলাদগী এয়রপোর্ট ফাওবা চৎকদবা খোঙচৎকী মাঙওইননা মিনট ১০গী মমাঙদা লম্বীশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ারোই। অদুম ওইনমক এম্ব্যুলেন্স অমসুং ফায়র সর্ভিসকী গাড়ীশিংদি অথিংবা অসিনা কোশিল্লোই হায়রি।

কংলাগী লৈরিবা গেট অহুমগী মনুংদা নোংচুপ থংবা অমসুং অৱাং থংবা গেট অনী অসি ইমজেন্সি এগজিটকীদমক শীজিন্নগনি অদুগা মখা থংবা গেটনা ভি ভি আই পি খক্তগী ওইগনি হায়রি।

ত্রাফিক এদভাইজরি অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লিবনা শীংজমৈ চীংঙা ফাওদুনা লাকপা ময়ায় লম্বীগী গাড়ীশিং থৌবাল লোমদগী শীংজমৈ থোং অমসুং ৱাঙ্খেই মায়কৈ ফাওদুনা লাকপশিংনা মিনুথোংদা মীয়াম থাদগনি। অদুগা লল্লোংদগী পোরোম্পাৎ ক্রোসিং অমসুং অনন্দ ক্রোসিং লাক্লগা পেলেস গেটকী হাট্টা কাংজেবুংদা গাড়ীশিং পার্ক তৌগনি হায়রি।

সেকমাই অমসুং থাংমৈবন্দ মায়কৈদগী লাকপশিংনা ইম্ফাল হোটেল মমাঙদা পেসেঞ্জরশিং থাদরগা এন সী সী গ্রাউন্দ নৎত্রগা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চৎতুনা গাড়ী খামগনি। উরিপোক, শগোলবন্দ, টিদ্দিম লম্বী অমসুং ময়ায়

...মখা লমায় ৩ কলম ৪




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫